# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-37

**(The Rise of sea Level and Inudation of Coastal area)**

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপা:- (১) খাবা - প্রোফেসার (২) চীংশোন্বা - এসিস্টেন্ট প্রোফেসার
(৩) ইনুংহুনবা - রিছার্চ স্কোলর

নুপী:- (১) য়াইখোম্বী - খাবগী নুপী
(২) লৈবাক্লৈ - য়াইখোম্বীগী মনাওনুপী

(মতম:- প্রোফেসার খাবগী য়ুম, মতম:- অয়ুক, টি.ভি. দা পাও লাকপগী মখোল)

য়াইখোম্বী :- কৈনো মোই তামো টি.ভি. পাউদুসু অদুক কন্না লৈখৎপীরগা, খবরদুসু পারীবরো তৌরিদুবো, মোই তামোগী মওংসিদি পাও তারিবরা খবরবু পারিব্রা অমতা মেন তারল্লরোই, মতম অমতদা থবক অনি তৌবসে অমসু মপুং ফাদা অমসু মপুং ফাদা মহৈ অমতা চাররোয়, টি.ভি. সে মুথৎলগে মৈগী চার্জসু অরেম্বদা তিংদনবা।

খাবা :- মসিগী নুপীসে ওন্থোক্লা হৈপা শাখরে, নঙনা তৌগদবা নথৌশিংদু অদুম তৌবা য়াদরো ঐবু অমুক পানা লৈত্রসু, মতম অমতদা পুংফম অমতদা থবক কয়া পাঙথোকপা ঙম্বা প্রোফেসার খাবগী ব্রেননি হায়বসি কাওরব্রো নঙবো।

য়াইখোম্বী :- (নোকপা) প্রোফেসার খাবগী ব্রেনসিদি ফখ্রবা ওইরবোরে, ফমন্দুনা ওইরিনিনে ঙসাইনা থক্লনবা চা, ব্রেদ থমজরল্লবদু হৌজিক ফাওবা চাদনা টেবল মথকসিদা অদুম লৈরিসি চাবা কাওবিরবা ওইরিনিনে।

খাবা :- (খঙনোক নোকথোরকপা) য়াইখোম্বী মসিমদি নঙনা চুল্লমাল্লেহে, ঐদি চা থকপসিমদি পুমকাও হেক কাওরুরে, চাসিসু উনমুক ইংখরে অমুক্তা শাহল্লকউবা।

য়াইখোম্বী :- হোয় হোয় হন্দকপুদি শাহনজরক্লগে, মথংদি অমুক ঙমজররোইকো চা শাহনবগা, হন্দক থকহৌদ্রবদি ঙসি অয়ুক্কী চা অদুম থকচদরেকো।

লৈবাকক্লৈ :- (হোবে হোবে লাকপা) ইচে ! ঐগী চাগা ব্রেদকদি কদায়নো, ঙসাই অয়ুক ঙন্তা হৌগৎলগা সাইন্স আর্টিকল অমা পাদুনা লৈরুরে, হৌজিক্তা পুকসে খঙলাম লাম্বা পোক্লকপসিদা চাগা ব্রেদকা নিংশিংলকইনি।

য়াইখোম্বী :- নোয় নতৈগা নঙগসিদি চপ হেক মান্নে, নোয় নতৈগী মনাক্তা ফল্লগা লৈরম্মু অমুক ফৈরেং তুরেং চৎখ্রনুকো, ঐ অমুক কৌনবা ঙল্লরোই, চা পরপ পরপ পুরক্লগে অদুম লৈরম্মুকো।

খাবা :- লৈবাক্লৈ, নোয় নচেসে ইবানি শেন্নবদা ফনদি ৱাজরবনি, নচেনা কোইশেন শেন্নদুনা ঐগীদমক হোৎনবীরমদ্রবদি ঙসিঐনা মীয়াম্না ইকাই খুম্নরবা জিওগ্রাফিগী প্রোফেসার অমা ওইবা ঙল্লমলোই।

লৈবাক্লৈ :- অচুম্বনি ইতৈ, ইচেনা হোৎনবীরমদ্রবদি ঐসু ঙসি ইহৈ-ইশিং মতিক চানা হৈদুনা রিছার্চ স্কোলর অমা ওইবা ঙল্লল্লোই, ঐগীদি ইচে অমদি ইতৈনা ইমানি ইপানি ঐগী পুম্নমক্লি।

খাবা :- করি সাইন্স আর্টিকলনোনে লৈবাক্লৈ, নঙনা ঙসাই পাই হায়রিদুবো?

লৈবাক্লৈ :- গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় হেনগৎলকপদগী সমুদ্র ইরোলনুংদা লুপশিনখিগদরা মীপাইনরবা আইলেন্দগী শরুকশিং অমদি সমুদ্র খোংবানগী লমশিংগী মরমদা ইবা আর্টিকল 'সিঙ্কিং আইলেন্দ' হায়বদুনি ইতৈ।

খাবা :- ওহ, অদুদি হৌজিক্কী ওইরিবা ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা মালেমগী মফমশিংদা লৈরিবা সমুদ্রগী মফম অয়াম্বগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্র মপান নক্লা খুন্দারিবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরকপদা নৎতনা লৈফম লৈরক্তবদগী ক্লাইমেৎ রিফ্যুজি ওইরক্লগদরা মীপাইনরবা মতমনি, নঙনা অদুগুম্বা আর্টিকল অমা পাই হায়বদু য়াম্না ফবা ৱাফমনি, খঙবদা য়াম্না কান্নবা ঙাক্তনি।

য়াইখোম্বী :- চা ফোং ফোং শাবা পুজরক্লে, ৱারীদো ঙহাক্তা লেপ্লীখোও, চাসে অমুক্তা থকপীয়ো মোই তামো (কেথনা ঙাংবা), সে ইবেম্মা নঙগীসু চা লৈরেসে, ব্রেদসিসু অমুক ফোং ফোং শানা ভৌরক্লবনি।

খাবা :- নঙসু সিদা ঐগী নাকসিদা ফম্লরোনে, য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমনি ঐখোয়না খন্নরল্লিবসে নঙসু তারো লাও।

য়াইখোম্বী :- লৈবাক্লৈ করি ৱারীনোনে য়ামনা মরু ওইবগা হায়রিসিবো, করি এঞ্জাং অহাওবা চাসিগে খন্নরম্বগদি নৎতেকো।

লৈবাক্লৈ :- ঐখোয় ইচেসিমা ওন্থোক ওন্থোকপা ৱা ঙাক্তা ঙাংঙি, অদুবুরো সমুদ্রগী ইরোলনুংদা লুপশিনখ্রগদরা পাখৎনরবা মফমশিং, ইথৎশিংগী মফমদা খন্নরম্বনিদা।

য়াইখোম্বী :- এ! কৈনো হায়রিসিবো করম্বা করম্বা মফমশিং অমদি ইথৎশিংনোনে সমুদ্রগী ইরোলনুংদা লুপশিনখিবা য়ারি হায়রিসিবো।

লৈবাক্লৈ :- ইচে, মুনরো আইলেন্দ হায়রিবা অসি কেরলাগী কোল্লম দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চন্না লৈবা আষ্টমুদি পাৎ অমদি কালাড়া তুরেলগী ইতিন্নফম মফমদা লৈবা অপীকপা ইথৎ অমনি। হায়রিবা ইথৎ অসিগী অকুৎপা মফমশিং হৌজিক সমুদ্রগী ঈশিংনা থুমজিনখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে।

খাবা :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় হেনগৎলকপদগী মুনরো ইথৎ অসিদা লৈরিবা মীওই কয়াগী পুন্সিদা অৱাবা কয়া মায়য়োক্লরক্লি। ইং ২০০৪দা অকনবা সুনামি থোকখ্রবা মতুংদা ইথৎ অসি অসুম অসুম ঈশিংদা লুপশিল্লক্লি, মীওই ১০,৩৮০ মুক্কী পুন্সিদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরক্লি।

য়াইখোম্বী :- ইস ! হায়রিবা ইথৎ অসি ঈশিং মনুংদা লুপশিনখ্রবদি মফম অদুগী মীওইশিংদি লৈফম লৈতদুনা অৱাবা ওইরনি, ময়ুম মকৈ লৈজদ্রবা মীওইশিং ওইরনি, খল্লুবদা য়াম্না নুংঙাইতে।

লৈবাক্লৈ :- মুনরো ইথৎতা নৎতনা মালডিবস, টুভালু ইথৎশিং অমদি অতৈ অকুৎপা মফমশিংদা লৈবা লৈবাক অয়াম্বা সমুদ্র ইরোলনুংদা লুপশিনখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবনি ইচে।

য়াইখোম্বী :- পুম্নমকসি মালেমগী শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী ওইরক্লিবনিকো।

খাবা :- উম অচুম্বনি, (ফোন রিং লাকপা), কনানোনে ফোন অমুক তাঞ্জাসিদা তৌরকইসিবো, ফোন্দু অমুক্তা পীরকউনে।

য়াইখোম্বী :- সে রিসিপ্ত তৌরবনি, কনানোনে সিবো, সেব তৌবা নম্বরসু নৎতে।

খাবা :- হল্লো... হল্লো... কনা.... কনা ওইবিরবনো?

চীংশোম্বা :- সিবু সার খাবাহোয়গী ওইবিরবরা?

খাবা :- অহোয় মানি, ফোন পাইজরকইবা ইশামক খাবনি, করি হায়বীগদবা, অদোম্বু কনা ওইবিরবনো?

চীংশোম্বা :- সার, ঐ চীংশোম্বনি, ইঞ্জিনিয়ারিং কোলেজ, কোল্লম, কেরলাদা এসিস্টেন্ট প্রোফেসার ওইনা লৈজবনি।

খাবা :- ওহ ! চীংশোম্বা, ঐ অদোমগী মীংদি হান্না য়াম্না তাজখরে, করি মরমগী ওইবীরবনো শোমনা ফোন তৌবীরকপবু।

চীংশোম্বা :- সার ঐদি অঙাং পীশক ওইরিঙৈদগী ঐগী ইনাওনুপা ইনুংহুনবগা কেরলাদা ঐখোয়গী ইমাগী মপামদা অদুমক লৈরক্লে, হৌজিক ঐখোয়গী কোলেজগী টিম অমনা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা সমুদ্রগী ঈমায় হেনগৎলকপদগী থুমজিনখ্রগদবা সমুদ্র মপাল নক্লা লৈবা লমশিংগী মরমদা রিছার্চ ৱার্ক কয়া তৌজরি।

খাবা :- অদুদি য়াম্না ফবা থবক্নি, তাঞ্জা ফংলদি ঐসু অদোমগী ইঞ্জিনিয়ারিং কোলেজতুদা লাকচগে।

চীংশোম্বা :- হোয় শোয়দনা লাকপীয়ু, ঐনা ঙসি সারদা ফোন তৌজরকইবসি, ঐগা ইনাওগা ঐখোয় অনি, য়াম থুনা মণিপুরদা লাক্লবা প্রোগ্রাম অমা শিঞ্জরি, মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ক্লাইমেৎ কন্দিসনগী মরমদসু খরা থিজিনজনিংঙি, সারনা মতেং খরা পাংবীয়ু হায়জবনি।

খাবা :- লাকপীনিংবা মতমদা হেক্তা লাকপীয়ু ঐগীদি মোস্ট ৱেলকমনি, য়ারদি খরা থুনা লাকপীয়ুনে।

চীংশোম্বা :- ওহ, থেঙ্কস য়াম নুংঙাইজরে, ঐখোয় থুনা লাকচনবা তৌজরগে, ওকে, বাই (ফোন থমখিবা)।

লৈবাক্লৈ :- কনানো ইতৈ ফোন তৌরকইদুবো, করি হায়রকইনো, থুনা লাকউ হায়খ্রিদুনা কনা কনানো?

খাবা :- ঐখোয়সিদগী কেরলাদা অদুম খুন্দাদুনা লৈখ্রবা এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার চীংশোন্বনি, মাগা মনাওনুপা ইনুংহুনবগা ঐখোয়গীসিদা লাক্কে হায়রকপনিদা।

য়াইখোন্বী :- এ ! মোয়দি কেরলাদদি থবক তৌবদগী অদুম লৈখ্রিবরা নত্রগা কমাইনা লৈখ্রিনো।

খাবা :- হো চীংশোন্বহোয়গী মমাদো কেরলা নিংঙোল ওইরমাল্লে, মাগী মমানা মখোয় মচিন-মনাও অনিমক পুরগা মপামদা অদুম মখোয়না পীশক পীক্লিঙৈদগী লৈরকপা ওইরমাল্লে।

লৈবাক্লৈ :- ইতৈ, ইনুংহুনবা হায়রিসি ঐনা দিল্লিদা মমাং চহিদা সেমিনার অমা য়াওবা চৎলুবদা থেংনরকখিবা কেরলাগী দেলিগেৎ ওইনা লাকখিবা ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্সকী রিছার্চ স্কোলর অদু ওইরমগদবা মাল্লি।

য়াইখোন্বী :- হো ওইনিংবা অমা ওইজরসনু, হয়েং লাকঅগা খংবা হায়বদুনি, ৱারী শারিঙৈদা পুংসে য়াম থেংখরে, ঐগী ঐগী ইথৌ চৎনবা মতম ওইরক্লনি, চাক-ঈশিং লোয়শিন্নবা হোৎনরুরসি লাকও লৈবাক্লৈ, মোয় তামোসু ইরু মায়থনবা তৌবীরুরো, য়ুনির্ভসিটি চৎপা থেংঙে হায়দুনা অমুক ইশৌ লাংবীরকঅনি।

খাবা :- হোয়দা হোয়দা, য়াইখোন্বী নঙনা হায়বদা ইনজরগে ঐসে (ময়াম নোকপা)।

-ম্যুজিক-

(মফম: কেরলা, মতম: নুমিদাং,সমুদ্রগী ঈশিংগী ইথক-ইপোম কারকপগী মখোল)

ইনুংহুনবা :- (মতোমতা ঙাংজবা) মতম অমদা ফজবা পুন্সনা লৈতেংলন্বী মুনরো ইথৎ, ফজরবা সনা মচুগী মীৎ থল্লবা লৈঙোয় শেক্তাগী লৈরোল লৈরোল, য়ুবী পান্বীনা কৃক কৃক ইন্ননা হৌরন্বা মফম হৌজিক্তি মমি ইশাম লামজিল্লকপগুম তৌরে, মালেমসিদা গ্লোবেল ৱার্মিং থোক্লকপদগী সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপদগী ইরোলনুংদা লুপশিনখিগদরা মীপাইরবা ইথৎ, নহাক সমুদ্র ঈশিংদা লুপশিনখিবা য়ারোই, নঙগী মহৌশাগী ফীভম মাঙখিবা য়ারোই।

চীংশোন্বা :- কৈদৌরগেনে নঙবু ঙসাই কোলেজ হেক হল্লকপদগী নঙগী কাদুদা তুমীন চঙখ্রগা মুরুম মুরুম নতোমতা শোন্দুনা লৈরিদুবো নঙবু হেলোইগা থেংনরক্লবরা হায়বনি।

ইনুংহুনবা :- তাচৌ, ঐ হেলোই ওক্লরকপগা অমতা নৎতেদা, হৌজিক মালেমসিগী শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্র মপান্দা লৈবা মফমশিং অমদি ইথৎ কয়া ঈরোলনুংদা লুপশিনখ্রগদরা মীপাইনরকপদগী হৌজিক মসিদগী ঙাকথোক্লবা থৌরাং কয়া পায়খৎনরক্লি অদুনা ঐখোয় কোলেজগী ইনভাইরোন্টমেন্টেল সাইন্স ডিপার্টমেন্টনসু দিস্কসন প্রোগ্রাম অমা 'দি রাইজ ওফ সি লেভেল এন্দ ইনন্দেসন ওফ কোষ্টেল এরিয়াজ' হায়বসিগী মরমদা পাঙথোক্কদৌরি। অদুনা তাচৌ সমুদ্র মপানশিংদা লৈবা লমশিং অমদি ইথৎশিংগী হোংলক্লিবা মশক মওংশিং অসিগী মরমদা সুম খল্লুবনিদা।

চীংশোন্বা :- নখোয়গী কোলেজনা পাংথোক্কদৌরিবা প্রোগ্রাম অদুদি য়াম্না ফবা প্রোগ্রামনি, হৌজিক হৌজিক ওইরক্লিবা সমুদ্রগী ইমায় হেনগৎলক্লিবা অসি থিংহৌনবা অমদি করিগী ওইরক্লিবনো হায়বনচিংবশিং অসি ময়াম পুন্না খন্নদুনা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নদুনা হোৎনমীন্নবা তঙাইফদ্রবনি।

ইনুংহুনবা :- তাচৌ হৌজিক গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরক্লিবা, সুনামি কয়া থোরক্তুনা ইথৎশিং, সমুদ্র মপান নক্না লৈবা মফম কয়া ঈশিং থুমজিনলক্লিবা পুন্নমকশিং অসি লাইরিক লাইশু হৈরবা মীওই কয়া, পোলিসি মেকরশিং, পোলিটিসিয়ানশিং পুন্নমক্না অকনবা মীৎয়েং চংহন্নিংঙি, থবক থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা হোৎনহন্নিংঙি।

চীংশোন্বা :- নঙনা খল্লিবশিং অদু য়াম্নমক চুল্লবা ৱাফম ঙাক্তনি। ঙহাক লৈতনা ঈশিং ইচাও থোকপনা ঈশিংগী ফিজিকো কেমিকেল পেরামিটরদা চাওনা অকায়বা ওইহল্লকপনা ঈশিংদা লৈবা শা-ঙা পাম্বী মখল কয়া মাঙশিল্লক্নবা মরম ওইরক্লি। সমুদ্রগী ঈশিং থুমহী চেনবগী চাংদা অকায়বা অহোংবা কয়া থোরকপনা মরম ওইরগা অপীকপা এলগি মখল কয়া অমদি ঙাগী মশিং খঙনহন হন্থরক্লি। ইহে ঐদি ৱারীদা হায়গে খনবা ৱা অমা হায়বা কাওরে।

ইনুংহুনবা :- করি ৱানো তাচৌ হায়গে খল্লিবো, য়াম তানিংঙে পরপ পরপ হায়রকও।

চীংশোন্বা :- নেক্স ৱিকতা ঐখোয় ইম্ফালদা চৎপা তারে, ঐখোয় ইচিল-ইনাওদি অসুক কুইবসে ঐখোয়গী ইপা-ইপুগী হৌরকফম লমদম অদুদা নোংমতসু চৎলুদে, ইরি-ইতা, ইচিল-ইনাওশিং অমতসু শকখঙনদরে, অমুক্তং চৎকে খনবদি কুইরবনি তাঞ্জা অমা ইচা চাদদুনা অসুম লৈরকপনি, হন্দক্তি শোয়দনা চৎলগে লেপ্লে, ফ্লাইট টিকেৎকা লোয়না কল্লবনি।

ইনুংহুনবা :- এ ! অদুদি তান য়াম্না চারে, ঐসু অমুক্তং চৎনিংদুনা লৈরকপনি তাচৌদা হৌদোকপা মতাং অমা ইচা চাদদনা তৌবনি, য়াম ফরে তাচৌনা হান্না চৎননবা শেম শাবীরম্বসে, ঐদি ইমান্নবা ইমান্নবী ময়াম অমসু উনগদবা লৈ, মোয়গা উনবা ফংলনি খনবদা য়াম্না নুংঙাইরে ঐদি।

চীংশোন্বা :- নঙদি নমান্নবা নমান্নবীগা য়াম্না ইম্ফালদা লৈবোরে, অদুদি য়াম্না ফরে মখোয় ময়ামদুগা লোয়ননা মনিপুরগী লম্মীৎ-তুমিৎ, ইনভাইরোন্টমেন্টেল কন্দিসন, বাইও-দাইবরসিটি অমদি ক্লাইমেৎ কন্দিসন্নচিংবা মরমদা থিজিল্লকপা য়ারনি।

ইনুংহুনবা :- কয়াম কুইনা লৈরক্কদবনো তাচৌ, ঐদি য়াম কুইনা লৈথোরকপদি য়ারোই, ঐগী প্রোজেক্ট ৱার্ক, 'সি লেভেল রাইজ, গ্লোবেল ৱার্মিং, ক্লাইমেৎ চেঞ্জ এন্দ রিলেটেদ প্রোব্লেমস' হায়বদুগী দাতা কল্লেক্সন তৌগদবা য়াম্না ৱাৎলি।

চীংশোন্বা :- হোয়দা হোয়দা মতম মতমদু য়ৌরক্লগা য়ান য়ানবা শীন্নবা হায়বদুনি, নঙগী চাক হোট কেসতা হাপ্লগা থম্বীরম্লবনি চাথোকউরো, তাচৌদি অন্তরটিকাদা হৌজিক হৌজিক গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা ঊন শৌদোরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লিবসিগী মরমদা ইবা আর্টিকলসি অমুক্তা পাখিগে।

ইনুংহুনবা :- হোয় তাচৌ, (ফোন রিং লাকপা), ... হল্লো... কনা ওইবিরবনো...।

লৈবাক্লৈ :- ফোন পাইবিরকইসিবু ইনুংহুনবা ওইবিরবরা?

ইনুংহুনবা :- অহোয় মানি, সোমবু কনা ওইবিরবনো?

লৈবাক্লৈ :- ঐ লৈবাক্লৈনি, ৰা অমতা হংজগে তৌবনি।

ইনুংহুনবা :- লৈবাক্লৈ হায়দি কনা ... ৰারৌবীবা য়াদে ঐ নীংশিংবা থোক্তরে অমুক্তা ময়েক শেংনা হায়বীরকও, ফোন তৌবরিকইসিবু করি লমদগীনো।

লৈবাক্লৈ :- সোমদি ঐবু য়াম থুনা কাওবীরল্লে, ঐনদি অদোম্বু য়াম মুন্না নীংশিংজরি।

ইনুংহুনবা :- অদোমগী ৰাহৈদুনা অমুক্কা হেন্না চমন্নখরে ঐদি, অদোম কনানো শেংনা অমুক্তা হায়বীরকও।

লৈবাক্লৈ :- মমাং চহিদা দিল্লি য়ুনির্ভসিটিদা নেসনেল সেমিনার অমা য়াওবা লাকপদা থেংনখিবা ইম্ফালদগী লৈবাক্লৈ হায়বীদুনি ঐ।

ইনুংহুনবা :- ওহ ! লৈবাক্লৈ নিংশিংলক্লে নিংশিংলক্লে, নোংমতসু নহাক ঐঙোন্দা হান্না ফোন তৌরকখিবা লৈতে ঐসু কেরলাদা হল্লবা মতুংদা থবক অদুম চিনবদগী ফোন তৌগে খল্লবসু অদুম তৌখিদরে অদুনা ঙহাক্তং ঐ নঙবু নীংশিংবা থোক্লুদরে ৰারৌনুকো ঐবু...।

লৈবাক্লৈ :- এ ! করিগী ৰারৌদোইনো ৰারৌদেদা ঐসু ঙসি মরম লৈবগী নঙোন্দা ফোন তৌরকপনি নত্রদি তৌরক্লোইদা।

ইনুংহুনবা :- করি মরমনো নঙনা মরম লৈবগী হায়রিদুবো, য়াম তানিংঙে খরা থুনা প্রপ প্রপ হায়রকও।

লৈবাক্লৈ :- অদুবুরো চীংশোন্বা হায়রিসিবু খঙবরো, মনাওনুপা ইনুংহুনবা হায়বা অমসু লৈ হায়, নঙগা মীং মান্নবদুদা নখোয় দাদা ওইজৎলা হায়দুনা সুম হংলকপনিদা।

ইনুংহুনবা :- ঐখোয় দাদাসু চীংশোন্বা কৌই, লৈফমদি কদায়ৰাইদগীনি হায়গে।

লৈবাক্লৈ :- কেরলা ষ্টেটকী কোল্লম দিষ্ট্রিক্টতা মমাগী মপামদা লৈবা ওইরমাল্লে।

ইনুংহুনবা :- এ ! অদুদি চুল্লে অদো করি লৈরগে নঙনা অদুক থৰায় য়াওনা হংলিদুবো।

লৈবাক্লৈ :- ঐনা হংলিবা মচিন-মনাওসে ঐখোয় য়ুমদা লাক্কনি হায়না ঐখোয় ইতৈদা হায়রকপা অদুগী সুম হংবনিদা।

ইনুংহুনবা :- ঐখোয় দাদানসু হৌজিক্তা ঐঙোন্দা ইম্ফালদা চৎপগী ৰা হায়রম্বদা ঙাইরিবনি, ঐখোয়না থুংঙদৌরিবা মফমসি নখোয় য়ুমদা ওইরে, য়াম নুংঙাইরে, ঐখোয় য়াম থুনা লক্কনি, নঙ উনবা ফংলনি খনবদা অমুক্কসু হেন্না নুংঙাইরে।

লৈবাক্লৈ :- ওকে... বাই... সি য়ু সুন...

-ম্যুজিক-

(মফম:- প্রোফেসার খাবগী য়ুম, মতম:- পুং ১১ মুক তাবা মতম, হুইনা খোংবগী খোঞ্জেল)

| | | |
|---|---|---|
| য়াইখোম্বী | :- | কৈনোনে পুং ১১ তাশিনলক্লসিফাওবা মোয় তামোগা ঐখোয় লৈবাক্লেগনা এয়রপোর্টতা চীংশোম্বহোয় লৌরুনি হায়দুনা চৎখিবদু হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিবো... ঐদি চাক লাম্বনসু লোইরে ... ঐবু হান্না খরা কোৎথোক্লগা চারসিরনে ... হেরা ঙসাইখৈ অসুক ৰানা ঙাইরক্লগা মোরোক মেৎপদা জাৎ তাবা হৌনদেদা (হুই কন্না কন্না খোংবা)। করি অমুক তৌরজাৎনোনে হুই অঙৌবীসিনা অমুক মখনাও তৎখৈ খোংলকইসিনা... হায়... হায়... অঙৌবী কৈদৌরগে হায়বনি (গাড়ী থৌজিল্লকপা)। |
| খাবা | :- | চংঙকও চংঙকও করিমতা হঙ্গাইবা য়াদেকো নয়ুম্মকনি খনগদবনিকো, য়াইখোম্বী ! ঐখেঅয় লাকত্রহে, মপান্দা থোরকউ লাওদনা নঙবো ইমুংদা কৈদৌরিগে। |
| য়াইখোম্বী | :- | (মনিংলোমদগী থোরকপা) ময়াম য়ৌবীরকএদনা চংবীরকও চংবীরকও, হুই অঙৌবীদু ঙসাইদগী কৈদৌরবনো খঙদে পংখোংদা খোংঙি, শাওনিংদুনা আ মনিংলোমদা পুনশিনলগা থনল্লে। |
| লৈবাক্লে | :- | সার চীংশোম্বা, ইনুংহুনবা ইমুংদা চংঙসি লাকও, ঐনা ঙসাইনা সারহোয় লৈননবা কাগা লোয়না শেংদোক্তুনা থনল্লবনি। |
| খাবা | :- | লাকও লাকও কাদা হান্না চংলসি, ঐ লগ্নেজশিংসে পায়রক্লগে। |
| চীংশোম্বা | :- | য়ারনি সার ঐখোয় অদুম পুশিনজরক্লগে। |
| য়াইখোম্বী | :- | ইবুংঙো অনিসি শকসু য়াম্না মান্নে, করম্বনা ময়াম্বনো করম্বনা মনাওনো ঐবু ভাব অমা ইতা তাদরে। |
| ইনুংহুনবা | :- | মেদাম, ঐনা মনাও অতোনবা ইনুংহুনবনি অদুগা...। |
| য়াইখোম্বী | :- | ওহ... ওহ... ইবুংঙোসিনা চীংশোম্বা, ঐ খংলে খংলে ভাব তারে হৌজিক্তি, নখোয় নচিন-ননাও অনিদি কুচু কুমেন শক-চু, শকওং-শাদা চপ হেক মান্নরে অদুদদি কনানা গ্যান মাংলোইদগে। |
| লৈবাক্লে | :- | ইচে অদুম ঙাংদুনা লৈদৌ শরুক চাক ঈশিং অমুক্তা হান্না চাথোক্লবা তৌখিসি। |
| খাবা | :- | হোয়নে নোয় নচেগী হৌনবী ঙাংবা হৌখ্রবদি লেপ্পা হৈতবনি, ইনাওশিংসে জর্নি লাকপগী ৰারল্লনি চাক হান্না চাথোক্লগা ঙহাক ঙহাক পোত্থাহন্নবা তৌসি। |
| চীংশোম্বা | :- | সার, ঐখোয়না লৈগদৌবা কাদুবু কদোমদা... পোৎচৈশিংসে হান্না থাংজিনজরল্লগে। |
| খাবা | :- | লাকও লাকও সোমদা লাকও থাংজিনলল্লসি লাকও। |
| য়াইখোম্বী | :- | লৈবাক্লে, ইবানি দাইনিং টেবলসিদা চাক এঙ্গাং পরপ-পরপ পুথোরক্লসি লাকও, থুনা চাথোক্লবা অমুক্তা শেম শারসি। |

লৈবাক্লৈ :- হোয় ইচে, ইতৈ... সার চীংশোন্বা... ইনুংহুনবা... চাকসি হান্না অমুক্তা চাখিসি লাকওকো।

ইনুংহুনবা :- হোয় হোয় লাকঅগে লাকঅগে...।

-ম্যুজিক-

খাবা :- ইনাওশা ! ঙসিগী চাক এঞ্জাংসিবু করম তৌগে নোয়বু চাববু হৈনবরনে ঐখোয় মণিপুরগী চাক এঞ্জাংসিবু।

চীংশোন্বা :- সার ! ঐখোয়দি আ কেরলাদা সেন্ট্রল তৌদুনা ইমাগী মচিন-মনাও মরি-মতাগা পুন্না লৈমিন্নরবসু ঐখোয়গী হৌরকফম ইপা-ইপুগী লমদমসিগী চৎনবী, চীঞ্জাক পুন্নমক অমতা থাদোকচদে, মতম খুদিংমক ইচিল-ইনাওনা ঐখোয় ইশাগী আইদেন্টিটি খক কাওজদে।

ইনুংহুনবা :- ঙসিগী চাক এঞ্জাংসে ওন্থোক্লা হাওখরে, ঐদি উতি থোংবগা, শোয়বুম ইরোলবগসে য়াম্না পামজে।

লৈবাক্লৈ :- উতিসে খরা হাপ্লক্কে সে... ইরোলবসিসু খিৎতং হাপচরক্কে সার...।

চীংশোন্বা :- ঐগীদি য়ারে, ঐখোয় ইনুংঙানবদা ওইনা হাপ্লীয়ু।

য়াইখোম্বী :- চাকপুদি চারি, ৱা অমতা সুম হংনিংবা... উম চানা চানা ৱারী শাবা কৈসু কায়দেকো ইবুংঙো।

চীংশোন্বা :- এ ! কায়দে কায়দে মেদাম, মেদামনা হংনিংবা হেক্তা হংবীয়ু।

য়াইখোম্বী :- মেদামগা কৌগনুদা, ঐসে লৈবাক্লৈগী হেক পোকমীন্নবা মচেনি নোয়সু ইচে অদুম কৌকো।

ইনুংহুনবা :- অহোয় ইচে, ইচেনা হংনীংবা হায়নিংবা খুদিংমক ঐখোয়বুসু নৌপ্পানি খনবীরগা অখাকপা লৈতনা হংবীয়ু হায়বীয়ু।

য়াইখোম্বী :- ইবুংঙো, হৌজিক মালেমসিগী সমুদ্রগী মফম অয়াম্বগী ঈশিং ঈমায় হেনগৎলক্লে হায়রিসিবু অচুম্বরা?

চীংশোন্বা :- অহোয় ইচে অচুম্বনি, সেটিলাইট দাতাগী মতুংইন্না ইং ১৯৯৩ অদুৱাইদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় অসি চাওরাক্লা চহি খুদিংগী মিলিমিটর অহুমলোমগী চাং হেনগৎলক্লি হায়রি অদুনা ইং ১৯৯৩ দগীনা ইং ২০১৭ ফাওবদা চাওরাক্লা সেন্টিমিটর তরেৎলোম সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলে।

খাবা :- অচুম্বনি চীংশোন্বনা হায়রিবসে, হৌজিক গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্লিবসি হন্থহন্নবা হোৎনহৌদ্রবদি সমুদ্র ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপগী চাংসে অসুম অসুম হেনগৎলকখিগদৌরিবনি।

লৈবাক্লৈ :- ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলক্লিবনি হায়বসি অয়াম্বনা খঙনরবা অমদি য়ানরবা ৱাফম অমবুদি ওইরে, অদুগা সমুদ্র ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপগী য়াম্না মরুওইবা মরম, ফেক্টর অহুমদুগী মরমদসু ঐদি খঙজনিংঙি সার চীংশোম্বা।

চীংশোম্বা :- ঐখোয় ইনুংহুনবগা লৈবাক্লৈ নঙগসে লেংগা নমান্নবসু ওইরবনিনা ঐঙোন্দা তাচৌ কৌগেরা, দাদা কৌগেরা নঙনা কৌনিংবা অমা হেক্তা কৌরো, সার হায়দুদি কৌরনুদা অদুগা নঙনা খঙনিংলিবশিং অদুদি ইনুংহুনবনা ওইনা শন্দোক্লা তাকচরনিকো।

ইনুংহুনবা :- লৈবাক্লৈ, ঐখোয়না সমুদ্র ঈশিং ঈমায় হেনগৎলকপগী য়াম্না মরুওইবা ফেক্টরশিংগী মনুংদা থর্মেল এক্সপান্সন অসিসু অমনিকো।

য়াইখোম্বী :- থর্মেল এক্সপান্সন হায়দি... কমায়না থর্মেল এক্সপানসন্না ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎহনলকইনো ইবুংঙো।

ইনুংহুনবা :- করিগুম্বা পোৎ অমা য়াম্না শাবা মতমদা চাওথোরকই অদুগা অমুক অইংবা মতমদনা পীকশিনখি, হৌজিক মারেমসিগী শাবগী চাং অসি ৱাংখৎলক্লবনিনা সমুদ্র ঈশিং অসিসু শাবগী চাং ৱাখৎলক্কুনা ঈশিংগী ভ্যোলুম অসি হেনগৎলকপা মরম্না ইমায় ৱাংখৎলক্লিবনি।

খাবা :- অনিশুবা মরম অদুনা গ্লেসিয়রশিং হায়দি ঊণগী মপৈ মপৈনা শেম্বা ঊনগী তুরেলশিং অমদি পৃথিবীগী পোলগী শরুকশিংদা লৈবা পোলর আইস কেপশিং হায়বদি ঊনগী চীংদুমশিং শৌদোরক্কুনা সমুদ্রদা চেন্থরকপদগী সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলক্লিবনি।

লৈবাক্লৈ :- পুম্নমকসি গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগী মালেমগী শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগীনিকো, নিংথম থাগী মতম থেংথরকপা অমদি স্প্রিং সিজনগী মতম ঙনখৎলকপা পুম্নমকসিদগী ঊনগী শরুকশিং থুনা মাংশিনলক্লবা মরমসুনিকো।

চীংশোম্বা :- উম অচুম্বনি, মালেমগী শাবগী চাং অসি ৱাংখৎলকপদগী গ্রিনলেন্দ অমদি এনট্রকটিকাগী ঊনগী শরুকশিং শৌদোরকপগী চাং ৱাংখৎলকপা অসিসু সমুদ্র ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপগী মরম অমনি।

ইনুংহুনবা :- ইং ১৯৯৩ দগী সমুদ্র ঈশিং ঈমায় ৱাংখৎলকপগী চাং অসি ইং ২০১৮গী ফিগরগী মতুংইন্না থর্মেল এক্সপান্সননা মরম ওইরগা ঈমায় হেনগৎহনলকপগী চাং অসি চাদা নিফুনিথোই অদুগা টেম্পরেত গ্লেসিয়র শৌদোরকপদগীনা চাদা কুনমাথোই, গ্রিনলেন্দগী ঊনগী শরুক শৌদোরকপদগীনা চাদা তরামঙা অমদি এন্ট্রকটিকাগী ঊনগী শরুক শৌদোরকপদগীনা চাদা তরানিপাল্লোমনি।

য়াইখোম্বী :- মোয় তামো, সমুদ্র ঈশিং ঈমায় ৰাংখৎলকপগী চাং অসিবু মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা সমুদ্রগী শরুকশিংদসু চপ মান্নবরনে।

খাবা :- কদায়দগী মান্নগদগেনে য়াইখোম্বী, মফম খরদনা কা হেন্না ৰাংখৎলকই, খরদনা অমুক ঈমায় হন্থখিবসু য়াওরিবনিনে।

য়াইখোম্বী :- অদুদি কমায়না তৌরিনো, ঐদি চপ মান্নবোয় খনলুরে।

চীংশোম্বা :- লম অমগা লম অমগগী ঈশিং-নুংশিৎকী ফিভম খেন্নবা, সমুদ্র ঈশিংগী ঈথক-ইপোম, তাইদ, করেন্ত খেন্নবা, টেক্টোনিক ইফেক্তনচিংবশিং খেন্নবা মরমশিং অসিননি তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী সমুদ্র ঈশিংগী ইমায় ৰাংখৎলকপগী চাং খেন্নরিবসি।

লৈবাক্লৈ :- সমুদ্রগী ঈশিং ইমায় ৰাংখৎলকপদগী য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরিবা মীওইশিংদি ইথৎ অমদি সমুদ্র মপান ময়াদা অমদি নক্লা খুন্দারিবা মীওইশিং অসিনি।

ইনুংহুনবা :- মীওইবশিং অসিদসু নৎতনা সমুদ্রগী অকোয়বগী ফিভমদা চাওনা অকাইবা থোকহনবদা নৎতনা মেরিন ইকোসিস্তেমদসু চাওনা অমাংবা ওইহল্লি, থৱায় পানবা জীবা, শা-ঙা, পাম্বী পুন্নমক্তা চাওনা অমাংবা ওইহল্লি।

খাবা :- ইন্দস্ট্রিয়েল পেরিওদকী মমাঙদা ওইরম্বা মালেমগী শাবগী চাং অসিদগী হৌজিক সেলসিয়স ডিগ্রি অনিরোম ৰাংখৎলক্লিবসি অসুমক হন্থহন্দবা তারবদি সমুদ্রগী ঈশিং ঈমায় অসি মিটর অমদগীনা মরি ফাওবগী চাং য়ৌনা ৰাংখৎলকপা য়ারি হায়না সাইন্টিষ্টশিংনা হায়রি।

য়াইখোম্বী :- ৰারী নুংঙাইমনখিদুনা ঐখোয়দি চাক চাবা তোল্লবসু খুৎ হামগনিকা লোয়না কাওরে, লাকও লাকও নোয়সু নখুৎ-নশা হামদোল্লগা ঙহাক ঙহাক পোথানরুরো, হয়েংদি ঐখোয় পুল্লপ মণিপুরগী চীং-পাৎ তুরেলশিং য়েংবা চৎলুসি।

-ম্যুজিক-

(মতম: অয়ুক পুং ১০মুক তাবা মতম, মফম: লোক্তাক মপান, নুংশিবা উচেক ৰায়াগী খোঞ্জেল)

চীংশোম্বা :- অৰাং নোংপোক ভারতকী মনুংদা খ্বাইদগী চাওবা ফ্রেস ৰাটর লেক অমা ওইরিবা, অতাওবা ফুমদিশিংনা মীৎফম হোংবা য়াদনা ইপাকসিগী মফম কয়াদা শন্দোক্লিবা, অতাওবা ফুমদিশিংদা শঙাই কৌবী নহাক্কী লৈফমবু ওইরিবী অদুবু...।

ইনুংহুনবা :- তাচৌ কৈদৌরগে নতোমতা লোক্তাক মপানসিদা শুকথদুনা চিন্তা তৌদুনা ফল্লিসিবো, লাকও অসোমদা লৈবাক্লৈহোয় ইচেহোয় সারহোয়না লৈরিবা অসোমদা চৎসি লাকও।

চীংশোম্বা : মালেমগী মফম খুদিংমক্তা হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফীভম, কায়থরক্লিবা অইং-অশাগী খল পুন্নমকসে ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরম কয়াদগী ওইরক্লিবনি খল্লুবদা থৱায়সে য়াম্না নুংঙাইতে।

লৈবাক্লৈ :- ইনুংহুনবা ... দাদা সোমদা লাকও ব্রেক ফাষ্ট চারসি লাকও ।

য়াইখোম্বী :- কৈনো নখোয় নচিল-ননাওনা অদুৱাইদা তুম্পক-তুম্পক তাশিনলগা ফমদুনা লৈরিদুবো, লাকওনে ঙহাক নুংঙাইসি পোথাসি, লম য়েংলুসি হায়না লাক্লগা কৈদৌরগেনে নখোয়বো।

খাবা :- (চংশিল্লগা তপ্পা হায়বগী মওং) চীংশোম্বা ! নঙনা খল্লিবা ৱাখলশিংদু ঐনা পুম্নমক উবা ঙম্মী, ঙসি মালেমসিদা মীশিং হেনগৎলকপা, উমং-ৱামংগী শরুক মাংশিল্লকপা, ফোশিল ফ্যুলশিং শিজিন্নবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী কার্বোনডাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলকপা মরম ময়ামসিদগী ওইরক্লিবা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা অইং-অশাগী খল কাইথরকপদগী থোরক্লিবা অমাংবশিং অসিনা নঙগী নপুক্লিং অদুবু লাংতক্লহল্লে। ফরেসে পংখনসু খনজিল্লুরনু ঐখোয় ময়াম চংদুনা মালেম অসিবু কন্ননবা হোৎনবা তাবনি।

লৈবাক্লৈ :- মালেমগী ফজরবা মফম কয়া, পাৎ, তুরেল পুম্নমক অইং-অশাগী খল কাইরকপদগী মহৌশাগী শক্তম শক্লোন কাইরক্লি, নোংমা নোংমগী মমী শামজিল্লক্লি।

ইনুংহুনবা :- মালেমসিদা লৈরিবা অপুনবা মীগী মীশিংগী চাদা ১০দি সমুদ্র মপান্দা খুন্দা লৈতারিবনি, মখোয়গী পুন্সিনা করম থোক্লগবা, সমুদ্রগী ইরোলনুংদা পুম্নমক লুপশিনখ্রগদরা মীপাইরবা ইথৎশিং, মালেমগী মফম অমতদসু ফংদ্রবা শঙাইগী পুন্সিনা করম থোক্লগদবা।

য়াইখোম্বী :- কৈদৌরগে ঙসিসিবো নখোয় ময়ামসিবো, ঙহাক্তং ৱাখল নুংঙাইনা পোথারুসি হায়দুনা লোক্তাক মপানসিদা লাক্লগা... (লাপ্পা খুলং ঈশৈ শক্লকপা তাবা...) তু আদা অরাপ্পদা ঙামীশিংনা খুল্লং ঈশৈ নুংশিনা শক্লিবসিদুম তাওনে।

খাবা :- হোয়নে কয়াদা নুংশিখ্রবা খুল্লং ঈশৈগী শুরনো... ।

ঙামীশিং :- (খুল্লং ঈশৈ শক্লপপা) হা ইবেন্মা... হা থন্বাল মানবী ইবেন্মা... মীগী মচাদি পান্মুবী... পাখং থৱায় ওইরিবী... (ঈশৈগী খোঞ্জেল অসুম লাপথোকখিবা)

-ম্যুজিক-